# সাউদি অরাবিয়াগী এয়ারপোর্টশিং অমসুং অরামকো ওইল সাইটশিংদা হৌথিগী এটেকতা মীওই ৭৩ শোকখ্রে



রিয়াধ, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি):
য়েমেনগী ইরাননা ঙাক্লৌ পীবা হৌথিশিংনা সাউদি অরাবিয়াগী সিভিলিয়ান অমসুং ইকোনোমিক সাইটশিংদা এটেক মথং মথং চথরকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ৭৩ শোকখ্রে।

গল্ফ কিংদমগী ইনর্জি মিনিষ্ট্রি অদুনা মখোয়গী খা থংবা প্রোভিন্সকী মনুংদা লৈবা ইনর্জি ফেসিলিটি অমসুং ইনষ্টোলেসন কয়ামরুমদা হৌথিনা এটেক চথরকখি হায়খি।

ইরাননা ঙাক্লৌ পীবা হাউথি রিবেলশিংগী মখূৎতগী অমুক হন্না টেরিটোরি লৌশিন্নবা সাউদিনা ঙাক্লৌ পীবা, ইন্টরনেসনেলনা রিকগনাইজ তৌবা গভর্ণমেন্ট অদুনা খূৎ হন্দুনা এটেক তৌখিবা য়েমেনদা খূৎ থোক্লবা কনখৎলকখিবগা থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি।

হৌথিশিংনা রিয়াধবু মীওই ১১ শিখিবা জেল অমদা এটেক তৌখিবা অদু য়াওনা এটেক কয়া চথবগী মরাল শীখি।

য়েমেনগী মীশিং য়ান্না খুন্দবা অয়ান্বা শরুক অমসুং অৰাংগী অয়ান্বা পায়রিবা হৌথিশিংনা মিসাইল অমসুং দ্রোন এটেকশিং চথখ্রে হায়খি। মখোয়না অভা ইন্টরনেসনেল এয়ারপোর্ট, কিং খালিদ এয়ার বেজ অমসুং মখোয়গী ঙমখৈ মনাক্তা অভা অমসুং জিজানদা লৈবা ষ্টেটনা মপু ওইবা ওইলগী অচৌবা কম্পেনি অরামকোগী ফেসিলিটিজদা এটেক তৌখ্রে হায়না হৌথিশিংনা হায়খি।

য়েমেনগী এটেকশিং অদুগী মতুং সাউদি অরাবিয়ানা খূৎ হন্নবা ঙসি কিহনখ্রে। হৌথিশিংগী নুমিদাংগী এটেকশিংদা ওইল সাইটশিংদা মতম খরা থবক লেপখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই ৭৩ শোকখ্রে হায়না সাউদি ওথোরিটিজনা হায়খি।

সাউদি আরাবিয়ানা মাগী সোভরেন্টি ঙাক্লবা মথৌতাবা থবক পূন্নমক লৌখৎকনি হায়না হৌথি এটেকশিং অমসুং রেদ সি সিপ্পিংদা মখোয়গী এটেকশিং লেপ্পবা দিমান্দ তৌদুনা ফোরেন মিনিষ্ট্রি ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

# রসিয়ানা নুমিৎ হুন্নি লেপ্পুরবা মতুং য়ুক্রেনদা এটেক তৌবা হৌখ্রে



মোস্কো, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি):
য়ু এস এনভোয়শিংনা য়ুক্রেনগী কোনুংদা লাকখিবা খোঙচৎ অমগীদমক এটেকশিং নুমিৎ হুন্নি লেপ্পগী মতম হেন্দোকখ্রবা মতুং রসিয়ানা ক্যিবকী মথক্তা চথবা এটেকশিং অমুক হৌরকখ্রে হায়না য়ুক্রেনগী ইমর্জেন্সি সার্ভিসনা নিংথৌকাবগী অথেংবদা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী এনভোয়শিং ষ্টেব ৰিটকোফ অমসুং জারেদ কুস্নরনা চয়োল লোইবা নুমিৎতা রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী কোনুংশিংদা লাকখিবগা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ক্যিবকী মথক্তা চথবা মোস্কোগী এটেকশিং নুমিৎ হুন্নি লেপ্পবা ওর্দর তৌখিবনি।

রসিয়ানশিংনা বোরিস্পিল অমসুং ফাসটিব দিষ্ট্রিক্টশিংদা দ্রোনশিংনা এটেক তৌরকখি হায়না য়ুক্রেনগী ষ্টেট ইমর্জেন্সি সর্ভিসনা টেলিগ্রামদা হায়খি।

ক্যিব সিটি মিলিটরি এদমিনিষ্ট্রেসননসু য়েক্লবগী দ্রোন এটেক্কী অকিবা অদুগী মরমদগী কোনুং অদুদা এয়ার রেইদ এলার্ট লাউথোকখি অমসুং লোৎফমশিংদা লোৎনবা মীয়ামদা আপিল তৌখি।

এটেকশিং লেপ্পগী মতম লোইখ্রে হায়না রসিয়ান ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সি টাসনা মসিগী মমাঙদা হায়খি।

লান অদু লোইশিন্নবগী নাকল ৩গী শান্তিগী ৰারি শান্নবা অমুক হিংগৎহন্নবগী আশা ৰাংখৎহন্দুনা য়ুক্রেন অমসুং রসিয়াগা খন্নখিবশিং অদু খূৎমাঙ চাওশিনখি হায়না ৰিটকোফনা হায়খি।

# য়ু এন মেপনা অরুনাচল, অকসাই চিনবু ইন্দিয়া, চাইনাগী মরক্তা তোঙানবা রিজনশিং ওইনা উৎলে




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি):
'করেক দ মেপ' রিজোলুসনগী মখাদা ইন্দিয়াননসু শৌগৎখিবা, য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ইসু তৌখিবা ৱার্ল্ডগী অনৌবা মেপ অদুনা, ন্যু দিল্লিনা লদাখকী শরুক ওইনা লৌরিবা অকসাই চিন অমসুং অরুনাচল প্রদেশপু ইন্দিয়া অমসুং চাইনা ঙমখৈ মরক্তা লৈবা তোঙানবা রিজনশিং ফোঙদোকপদগী নৌহৌননা মীৎয়েং চংখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লি (য়ু এন জি এ) রিজোলুসন অদুগী মতাংদা খন্নবদা মেপ অদু জুলাই ১দা অহানবা ওইনা ফোঙখিবনি।

মদুনা অরুনাচল প্রদেশপু মেপ অদুদা অসাম অমসুং চাইনাগা থংনবা ইন্দিপেন্দেন্ট ষ্টেট অমা ওইনা রিজন অদুবু উৎতুনা নাগালেন্দগা থংনবা অরুনাচলগী ঙমখৈ অদু লৌথোকখ্রে।

মসিগা মান্ননা মেপ অদুনা অকসাই চিনবু নোংচুপতা ইন্দিয়াগা তায়নবা অমসুং নোংপোক্তা চাইনাগা ঙমখৈ তায়নবা ইন্দিপেন্দেন্ট রিজন অমা ওইনা উৎলি।

অহোংবশিং অসিগী মনুংদা লৈরিবা মরম অদু য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শন্দোক্লা তাকখিদে। মেপ অদুনা ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী মরক্তা জম্মু এন্দ কাশ্মির খায়দোক্লবা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) অদু উৎপা দোটেদ লাইন অমসু উৎলি।

অদুমওইনমক মেপ অদুগী 'ফুটনোর্টস'তা য়ুনাইটেদ নেসন্সনা দোটেদ লাইন অদু ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তাননা য়ানখিবা জম্মু এন্দ কাস্মিরদা এল ও সি অদু চাওরাক্লা ফোঙদোকপনি হায়খি।

জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী ফাইনেল ষ্টেটস অদু পার্টিশিং অদুনা হৌজিক ফাওবদা য়ানদ্রি হায়না য়ু এননা হায়খি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লিনা হৌখিবা চয়োলদা ৱাল্ডগী রিজনশিং, মরুওইনা অফ্রিকাদা হেন্না একুরেট ওইবা অমসুং ইক্যুটেবল ওইবা কার্টোগ্রাফিক রিপ্রজেন্টেসনগীদমক 'করেক দ মেপ' হায়না পিংথোনবা অফ্রিকান য়ুনিয়ননা ঙাক্লৌ পীবা রিজোলুসন অমা লৌখি। মেপ অদু নন-বাইন্দিংনি, অসুবু মদু মালেমগী মফম পূন্নক্তা মল্টিলেটরেল ইনষ্টিট্যুসনশিংনা ষ্টেন্দরদওইনা য়ান্নগনি। আফ্রিকান গ্রুপকী মহুৎ শিন্নদুনা টোগোনা পুখৎলকখিবা রিজোলুসন অদু ইন্দিয়ানা শৌগৎখি।

জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাখ য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং য়াওনা ইন্দিয়াগী সোভরেন টেরিটোরি ইন্দিয়াগী ওফিসিয়েল মেপকীমতুং ইন্না শোয়দনা উৎকদবনি হায়না ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি।

চুমদবা নৎত্রগা লান্না লমজিংবা অমত্তা য়াবা ঙম্লোই হায়না মিনিষ্ট্রি অদুনা মখা তাখি।

ইন্দিয়া অমসুং চাইনাদগী অমগা অমগা মখোয়গীনি হায়না ফোঙদোক্লরিবশিং অদুগী পরিংদা অরুনাচল প্রদেশ অমসুং অকসাই চিনগী মেপ অদুগী দিমার্কেসনগী মতাংদা ন্যু দিল্লিনা কমেন্ট অমত্তা পীদ্রি।

অকসাই চিন য়াওনা জম্মু এন্দ কাশ্মির অমসুং লদাখ য়ুনিয়ন টেরিটোরি পূম্বা ইন্দিয়াগী থদোক্লবা য়াদ্রবা শরুক ওইদুনা লাকখি, ওইরি অমসুং মতম পূন্নমক্তা ওইগনি হায়না ইন্দিয়াগী অচেৎপা ফিরেপ লৈরক্লি।

ন্যু দিল্লিনা অরুনাচল প্রদেশপুসু ইন্দিয়ান টেরিটোরিগী থাদোকপা য়াদবা শরুক অনি হায়না লেপ্লি।

# ঈশিং ঈচাওদা মীওই চা কয়া শিখিবগী নুমিৎ ১৩নিগী মতুং নেপালনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

কাথমান্দু, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি):
গভর্ণমেন্ট ওফিসশিংদা ফিরাল তঙ্খায় চিংথদুনা অমসুং ইমুং মনুংশিংনা অৱাবা ফোঙদোকপগী লাইগী থৌরমশিং পাঙথোক্লুনা ওগষ্ট ২৬কী ঈশিং ঈচাওদা শিখিবশিং অদু নিংশিংনবা নেপালনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

নেপাল অমসুং টিবেটতা মীওই ১৩০০ হেন্না শিখিবা অমসুং নেপালগী দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সিগী মতুং ইন্না ফোরেনর য়াওনা মীওই ৫,০০০ রোম থিবা খঙদনা লৈরিবা ঈচাও অদুগী মতুং ১৩নি শুবা নুমিৎতা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম পাঙথোকখি।

হিন্দুনা নম্না তাবা নেপালদা অৱাবা ফোঙদোকপগী নুমিৎশিং অসি নুমিৎ ১৩নি চৎখে। মতম অদুগী মনুংদা ইমুংগী মীওইশিংনা য়ুমদা লৈ অমসুং মরীমতাশিংনা মখোয়গী ইকায়খুন্নবা উৎনবা চৎলি। লৈখিদ্রবা থৱাইশিং অদুগীদমক লাইদা খুরুম্নবা অরোইবা নুমিৎ অদুদা থৌরমশিং পাঙথোকই।

হৌজিক ফাওবা থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওইশিংগী মরীমতাশিংনা সিম্বোলিক ওইবা অরোইবা মথৌ-মঙমশিং পাঙথোকখি।

হিন্দুগী চৎনবিদা ক্রিমেসনন মরুওইবা অরোইবা থৌরম অমনি অমসুং মখোয়গী নুংশিজরবশিং অদুগী হকচাংশিং অদু য়াওদ্রবা ফাওবদা থৌরমশিং অদু পাঙথোকপনা ইমুং মনুংশিংদা ৱাখলগী অৱাবা অমা কোকহল্লি। গভর্ণমেন্টনা নিংথৌকাবা নুমিৎপু অৱাবা ফোঙদোকপগী ওফিসিয়েল ওইবা নুমিৎ অমা ওইনা লাউথোকখি অমসুং গভর্ণমেন্ট ওফিসশিংদা ফিরাল তঙ্খায় অমা চিংথনবা ওর্দর তৌখি।

মরকসিদা থিবা খঙদ্রিবশিং থিবগী থবক মখা চথখি অদুবু মতিকচানা থবক তৌদে হায়না মীওই কয়ানা প্রোটেষ্ট তৌখি।

কাথমান্দুদা হায়দ্রোপৱার প্লান্টশিংদা থবক তৌবা মীওই চা কয়া অমসুং ভোতেকোসি তুরেলনা চেন্থখ্রবা নৎত্রগা অতেক অকায় মখাদা ফুমজিনখ্রবা মীওইশিংগীদমক থিবা অমসুং কনবগী থবকশিং থুজিন্নবা গভর্ণমেন্টতা দিমান্দ তৌনবা মরীমতাশিংনা প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং মরুওইবা মিনিষ্ট্রিশিংগী ওফিসশিং অদুগী মনাক্তা পূনখি।



ঈশিং ঈচাওগী নুমিৎ অদুদগী ঈ পাউ অমত্তা তাখিদ্রবা মহাক্কী চহী ৫৫ শুরবা মপুরোইবগী ফোটো য়াওবা পোষ্টর অমা পায়দুনা সুমানা শ্রেস্থনা ইমুংগী মীওইশিংগা লোয়ননা লেপ্তুনা লৈখি। কন্সলটিং জিওলোজিষ্ট অমা ওইবা মহাক্কী মপুরোইবা অদুনা ঈশিং ঈচাও থোক্লকখিবা নুমিৎ অদুদা ত্রিসুরি হায়দ্রোপৱার প্লান্টকী প্রোজেক্ট ওফিস অদুদা মহাক্কী দ্যুটি লোইরবা মতম অদুদা য়ুমদা হল্লক্লবা ৱাশক্লমখি।

মথোল অনিমখায় ৱাংবা ওফিস অদু ঈচাও অদুনা চেন্থবা অতেক অকায়, মকুম মতানা পূল্লপ ফুমজিনখ্রে। প্রোজেক্ট অসিদা রেস্ক্যু তৌনবা হোৎনবগী পাউ অমত্তা ঐখোয়না তাখিদ্রি, অদুবু হান্ননা নুমিৎ ১৩নি হৌখ্রে। মরম অদুদগী মফম অসিদা লাক্লিবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

মহেশ প্রশাদ শ্রেস্থা কৌবা অতোপ্পা প্রোটেষ্টর অমনা হায়রিবা মফম অদুমক্তদা থবক তৌবা মশাগী চহী ৫২ শুরবা ইঞ্জিনিয়ার ওইবা মাগী ময়ান্বা নিরজ সেস্থাগী ফোটোগ্রাফ অমা পায়খি।

দিজাষ্টর অদুগী নুমিৎ ৬নি নৎত্রগা ৭নি শুবা নুমিৎতা ওথোরিটিজনা হেলিকোপ্টরদা শুপ্পগী অপীকপা এক্সকেবেটর অমা থারকখি হায়না মহাক্না হায়খি, অমসুং ইক্যুপমেন্ট অদু পুরক্লবা মখোয়না চাইনা নৎত্রগা ইন্দিয়াগুম্বা মফমশিংদগী অচৌবা হেলিকোপ্টর ওর্দর তৌগদবনি হায়না মখা তাখি।

ঈশিং ঈচাও অদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিং নিংশিংদুনা কাথমান্দুগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা মৈরাশিং থানখি।

ৱার্কর ৯০০ রোম থিবা খঙখিদবা অমসুং তোঙান তোঙানবা টনেলশিংগী মনুংদা থোক্লকপা ঙমদনা লৈরমগনি থাজবা ৫০০ রোম লৈখিবা হায়দ্রোপৱার প্রোজেক্ট ১২দা রেস্ক্যুগী থবকশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংখি হায়না ওথোরিটিজনা হায়খি।

ইন্দিয়া, চাইনা, সাউথ কোরিয়া, অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী স্পিসিয়েলাইজ রেস্ক্যু টিমশিংনা প্রোজেক্টশিং অদুদা অতেক অকায়শিং, অতেক অকায় থোক্লবা টনেলশিং থিজিল্লক্লি।

# মেদিকেল ষ্টাফ পুবা হেলিকোপ্টর ক্রাস তৌখ্রে

কুৱালা লুম্পুর, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি):
মেদিকেল ষ্টাফ য়াওনা মীওই ৫ পুখিবা 'ফ্লাইং ডোক্টর সার্ভিস' হোলিকেপ্টর অমা বোরনিও ঈথৎতা লৈবা এয়ারপোর্ট অমগী মনাক্তা ঙসি মলেসিয়াদা ক্রাস তৌখ্রে হায়না ওথোরিটিজনা ফোঙদোকখ্রে।

সরৱাক ষ্টেটতা ক্রাস অদুদা শিবা নৎত্রগা শোকপগী মতাংদা ওফিসিয়েলশিংনা হৌজিক ফাওবা লেপ্পা ঙমদ্রি। পাইলোট অমা অমসুং মিনিষ্ট্রি ষ্টাফ ৪, মখোয়দুগী মনুংদা মেদিকেল ওফিসার ১, এসিষ্টেন্ট ওফিসার অমা অমসুং নর্স ২ য়াওই হায়বা অহানবগী ইনফোর্মেসননা উৎলি হায়না মলেসিয়াগী হেল্থ মিনিষ্টানা হায়খি।

# ইরান ৱার মতুং য়ু এসনা মিদ্দল ইষ্টতা থম্বা দিফেন্স ফোর্স হন্থরগনি



ৱাসিংটন, সেপ্টেম্বর ০৮ (এজেন্সি):
রিপোর্ট অদুগী মতুং ইন্না, আমেরিকানা ইরানগী মথক্তা চথরিবা লান ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসননা লোইশিন্নবা হোৎনবা তারবদি য়ু এস মিলিটরি অমসুং ইন্টিলিজেন্স এজেন্সিশিংনা মিদ্দল ইষ্টতা মখোয়গী ট্রুপ মশিং অমসুং ফেসিলিটিজ হন্থনবা থৌরাংশিং খন্নরি।

য়ু এসনা চহী ২০ হেন্না মিদ্দল ইষ্টতা য়াম্লবা মিলিটরি অমসুং ইন্টিলিজেন্স ফোর্সশিং থম্লক্লি, মসি সেপ্টেম্বর ১১, ২০০১ এটেকশিং অদুগী মতুংদগী হৌখিবা লানশিং অমসুং কাউন্টর টেরোরিজম ওপরেসনশিংগী মরমদগীনি।

হৌজিক, সি এন এনগী মতুং ইন্না, লমদম অদুদা অসিগুম্বা ট্রুপ অমসুং পার্মেনেন্ট ফেসিলিটিজগী য়াম্লবা মশীং অমা য়ু এসনা থম্বা মথৌ তারিব্রা হায়বদু য়েংশিল্লি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মিদ্দল ইষ্টতা এয়রক্রাফ কেরিয়র ২ অমসুং গাইদেদ-মিসাইল দিষ্ট্রোয়র ১২ হেনবগা লোয়ননা ট্রুপ ৫০,০০০ রোম থল্লি। ইরানগী দ্রোন অমসুং মিসাইলশিংনা য়ু এস ফেসিলটিজশিংদা হন্ন-হন্না এটেক তৌরকখ্রে অমসুং আমেরিকান সার্ভিস মেম্বর ১৮ শিখ্রে।

হৌজিক খন্নরিবা অমদি য়ু এসতা পার্সোন্নেল অমসুং ইক্যুপমেন্ট থম্বা অমসুং মখোয় মথৌতাবা অকক্লবা মিসন মতম খক্তদা মিদ্দল ইষ্টতা থাবা অসিনি।

লান অদুদা থিনা অতেক অকায় থোকখ্রবা নৎত্রগা থুগাইখ্রবা ফেসিলটিজ খরা অমুক হন্না শাদনবসু য়ু এসনা ৱারেপ লৌরবা য়াই। অমুক হন্না শাবগী চংগদবা মমল অদুসু খন্নরিবা ফেক্টরশিংগী মনুংদগী অমনি।

বহরেনদা য়ু এস নেভিগী ৫শুবা ফ্লীট থম্লক্লি। অদুবু নেভিগী পার্সোন্নলশিং মফম অদুদা থুনা অমুক

ঙাংখোল/NOTICE
Pallel,the 07th Sept, 2026
Applications are invited from Mal eligible Candidates for post of one Primary Teacher of Pallel H/S. Pallel on or beforth 14th Sept. 2026 (1p.m.).
Qualification:-
1. B.Sc. (Physics & Chemistry) above 50% marks both XII and B.Sc.
2. D.El. Ed (2 year) and TET-I
3. Minimum 2 years experience.
Place of form Submission :- School office.
Sd/-
S. Manichou Singh
Secretary
Pallel H/S Pallel
# 9856344317
SL/Subash/09

**Shop Registration Certificate Lost**
I have lost my Shop Registration Certificate bearing Registration No. IMC/111(17)/25 dt. 29/08/25 registered as M/S 3 stare Iron & Steel Industries issued by Inphal Municipal Corpation on 01/09/25 on the Way Khairamband Keithel to IMC Office Complex on 5th September 2025 .
Finders are requested to handover the same to the undersigned.
Sd/-
Atom Jimicarter Singh
# 9774862320
SL/Raju/09

**In the Court of The Sub-Deputy Collector Porompat, Imphal East, Manipur**
*Ref. :- Mutation Case No. 388 of SDC(IE)/P of 2026*

1) Abdul Hussain Choudhury S/O (L) Ramizuddin of Kshetri Chandam Leikai.
2) Md. Nurul Hamid S/O (L) -do- of -do-
3) Nurul Islam Choudhury S/O (L) -do- of -do-
4) Md. Abul Kalam Choudhury S/O (L) -do- of -do-
5) Nazbun Hussain Choudhuri S/O (L) -do- of -do-
6) Kh. Babul Nesha D/O (L) -do- and W/O Md. Hassan of Keikhu Makha Leikai
7) Hibjur Nesha D/O (L) -do- and Abdur Rafik of Kiyamgei Awang Leikai. *- Petitioners*

*-Verses-*

Ramizuddin S/O Wajidali of Kshetrigao . *-O. P.*

ঙাংখোল/NOTICE
*Porompat,the 08th Sept,* 2026

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতূং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 30-Kshetrigao গী Patta No. 80 (অরিবা), 370/384 (অনৌবা) Covered by C.S. Dag No. 290/3361 measuring an area 0.58 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Pattadar অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭(তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat Imphal East, Manipur
Sl/Nanda/09

ক্রোসৱার্দ ১১৩৯ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | I | D | E | D | ■ | A | P | E | R | ■ | A | C | R | E |
| S | L | A | V | E | ■ | P | A | N | E | ■ | P | L | E | D |
| E | L | L | E | N | ■ | I | D | E | A | ■ | R | O | B | E |
| A | S | I | N | I | N | E | ■ | ■ | S | L | O | G | A | N |
| ■ | ■ | ■ | ■ | M | O | C | C | A | S | I | N | ■ | ■ | ■ |
| C | A | N | S | ■ | R | E | L | I | E | F | ■ | E | A | R |
| A | B | E | T | ■ | ■ | ■ | E | N | S | E | M | B | L | E |
| N | O | V | A | ■ | S | L | A | T | S | ■ | O | B | O | E |
| O | V | E | R | S | E | E | R | ■ | ■ | ■ | D | E | N | S |
| E | E | R | ■ | E | R | N | E | S | T | ■ | E | D | G | E |
| ■ | ■ | ■ | D | E | P | O | R | T | E | E | ■ | ■ | ■ | ■ |
| A | T | T | I | R | E | ■ | ■ | A | D | A | M | A | N | T |
| W | H | O | A | ■ | N | E | A | R | ■ | S | O | R | E | R |
| E | A | R | N | ■ | T | A | R | T | ■ | E | L | I | T | E |
| D | I | N | E | ■ | S | U | E | S | ■ | L | E | A | S | E |

**WANTED PARTNERSHIP INVESTORS**
Since 2012 dagi Registered touraga leijaraba Machinery Sales toujaba business firm amani. Handak ki fresh season asigi oina order masing khara yamna leiba maramna eigi hana akaknaba oina toujabanina, machine sing ashi eigi own capacity da chensinnaba hotnabada shortage leiba maramna, kanagumba kanagumbi sen thadharaga profit sharing 50/50 ratio da chap manana share touminaningba leiragadi, henna akuppa marol gidamak makhada pijariba no.asida pao faobirakpa yagani. Geniunely partnership agreement hana tougani aduga makha taba step follow tougani....
Interested Investors Enquiry through Phone Calls only
Contact Us 87942 28735
SL/KK/



SL/Mocha/9to13



SL/Mocha/20-4

# মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী সেপাক তাক্রো টিমনা রেগু ইভেন্টদা চেম্পিয়ন ওইখ্রে





ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

জাম্মু এন্দ কাশ্মিরগী শ্রীনগরদা লৈবা শের কাশ্মির ইন্দোর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ২৯শুবা সব-জুনিয়র নেসনেল সেপাক তাক্রো চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬তা মণিপুরগী নুপা অমসুং নুপী টিম্না রেগু ইভেন্টগী চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

ষ্টেটকী নুপা টিমনা রেগু ইভেন্টগী ফাইনেলদা বিহারবু ২-০দা (১৫-১২, ১৫-৫) দা মায়থিবা পীরম্লগা টাইতল লৌবা ঙমখি।

সেমি ফাইনেলদা উট্টর প্রদেশপু ২-০ (১৫-১৩, ১৫-৯)দা মায়থিবা পীম্লগা ফাইনেল চঙলকপা ঙমখি। মণিপুরগী নুপা টিমনা সেমি ফাইনেল চঙলকপগী লম্বীদা ঝরখন্দবু ২-০ (১৫-৪, ১৫-৭), রাজস্থানবু ২-০ (১৫-৫, ১৫-৭) দা অমসুং ওড়িষাবু ২-০ (১৫-১২, ১৫-৭)দা মায়থিবা পীমখি।

মণিপুরগী নুপী টিমনা রেগু ইভেন্টগী ফাইনেলদা মহারাষ্ট্রাবু ২-০দা মণিপুরনা অহানবা রেগুদা (১৫-১৩)১৭-১৫, অনীশুবা রেগুদা ১৭-১৫দা মায়থিবা পীদুনা টাইতল লৌবা ঙমখি।

পনবা য়াবদি নুপামচা সেপাক তাক্রো টিমদা য়াওরিবশিং অদুদি টিঐচ রাশমণি, কেঐচ ইলেশ, দব্লিউ দয়ানন্দা, এনজি তোমথিন, ঐচ বোরিশ, এন অকাস, ই প্রেমসন, এনজি সাকহেনসনা, এস প্রিতমজিৎ, এন পৃথিবীরাজ, ই রোমেস, এ লিংজেন, কেঐচ অবিনাশ, এস সাম্পলেন অমসুং কেঐচ লনথোইবানি।

নুপীমচা শান্নরোইশিং অদুদি কেঐচ পুজা, এস এল্লি, কেঐচ সিলভিয়া, ই ষ্টেল্লা, তানিয়া একে, ও ইনুংঙানবী, সিঐচ রোসিয়া, ই লিংজেলথোইবী, এন নেয়াবালা, এন সপানা, কেঐচ জসিকা, ই দাইনেলা, ফেন্সিয়া এন, ঐচ লিলিচা অমসুং সিন্থোই ৱাইনি।

# ৪শুবা নেসনেল শরিৎ-শরাক চেম্পিয়ন্সিপ:

# মণিপুরনা গোল্ড ১৩ য়াওনা পূন্না মেদল ১৪ লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

শরিৎ-শরাক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা শরিৎ-শরাক এসোসিয়েসন ওফ জম্মু এন্দ কাশ্মিরনা শীন্দুনা কাশ্মিরগী অনন্তনাগ দিষ্ট্রিক্টকী পাহালগামগী হোটেল পার্ক প্লেসতা চথরিবা ৪শুবা নেসনেল শারিৎ-শরাক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬কী ঙসি নীনিচনবা নুমিৎ ফাওবদা মণিপুরনা গোল্ড ১৩ অমসুং সিলভর অমা য়াওনা পূন্না মেদল ১৪ লৌদুনা মকোক থোংবা মফমদা লৈখ্রে।



ঙসি মণিপুরনা লৌখিবা গোল্ড মেদলশিং অদু সব-জুনিয়র বোইজগী চাইনাবা অহানবগী কেজি ৩৫দা লোংজম য়োহেনবা মৈতৈ, কেজি ৪০ মখাগীদা লোংজম অঙৌসনা, কেজি ৪৫ মখাদা লোংজম পূন্সিবা মৈতৈ, কেজি ৫০দা সোরাম দেভা, কেজি ৫৫ মথক্তা ৱাহেংবম নেন্সননা লৌখি।

সব-জুনিয়র গালর্সকী চাইনাবা অহানবগী কেজি ৩৫ মখাদা মৈস্নাম মালেমঙানবী চনু, কেজি ৪০ মখাদা খাইদেম বিন্দিয়া দেবী, কেজি ৫০ মখাদা প্রিতি মাইবম অমসুং কেজি ৫৫ মথক্তা নোংথোম্বম সর্লা চনুনা লৌবা ঙমখি।

সব-জুনিয়র বোইজগী কেজি ৩৫ মখাগী অনীশুবা চাইনাবদা মুতুম অঙম্বা মঙাং, কেজি ৪০ মখাদা ঙাশেপম রেইনবো, কেজি ৪৫ মখাদা ইরুংবম বোমসন, কেজি ৫৫ মথক্তা নিংথৌজম তোমথিনঙানবানা লৌখি।

মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা সিলভর মেদল অদুনা সব-জুনিয়র বোইজগী কেজি ৫০ মখাগী চাইনাবা অনীশুবদা চিঙাংবম নরেস সিংহনা লৌখি।

# জেনরেল বোদি মীফম পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন (আই ই দি এ বি এ)না শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী চহীগী ওইবা জেনরেল বোদি মীফম থা অসিগী ২০গী অয়ূক পুং ৮ তাবদা পাঙথোক্লগনি।

জেনরেল বোদি মীফম অসি ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসনগী হান্নগী প্রসিদেন্ট ওইরম্বা ৱাই চন্দ্রকুমার মঙাংগী চীংমৈরোংদা লৈবা য়ূমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা মেম্বর খুদিংমক্না শরুক য়ারনবা এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরী ৱাই চিঙ্খৈহুনবানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# দি জি এ আর হোক্কী কপ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ অসাম রাইফলনা মণিপুর হোক্কীগা খুৎশম্নরগা ৩শুবা দি জি এ আর হোক্কী কপ থা অসিগী ১৮দগী ২৮ ফাওবা খুমন লম্পাক্তা লৈবা হোক্কী ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসি হোক্কীগী মশান্না য়োকখৎনবা, স্পোর্টিং টেলেন্ট পূক্লিং থৌগৎনবা অমসুং প্লেয়রশিংগী হৈশিংবা উৎথোক্লবগী প্লেটফোম অমা পীনবগী পান্দমদা শীনগদৌরিবনি হায়রি।

# সি আর পি এফনা শীন্দুনা লোক্তাক প্রোজেক্টতা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট হৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

খেলো ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ সেক্তর সি আর পি এফ অমসুং স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগা পূন্না খুৎশম্নদুনা ঙসি দি-৩২ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ লোক্তাকনা শীন্দুনা লোক্তাক প্রোজেক্টকী অৱাং বজারদা লৈবা এন ঐচ পি সিগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট শান্নবা হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৩২ বট্টালিয়ন সি আর পি এফকী কম্মান্দেন্তনা ফোঙদোকখিবদা হৌগৎলল্লক্লিবা নহারোলশিংবু ময়াই কাবা চীঙাক্তগী লাপথোক্লবা, হকচাং ফনা লৈনবা, থকশি-খাসি খঙবা, লমচৎ শাজৎ ফজনবগী পান্দমদা বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা মীওইশিংনা শরুক য়াদুনা দবল কেটাগোরিদা টিম ১৬না শরুক য়ারিবা চথুগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা রিটিয়দ আই এস এস ওইনাম নবাকিশ্বর, তোকপা কৈবুলগী চিয়ারমেন গিদিওন কামৈ, ৩২ শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফ লোক্তাক মণিপুরগী কম্মান্দেন্ত এসঐচ অরুনকুমার মীনানা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসি হয়েং ফাইনেল শান্নগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মকোক মথং তারবশিং ৱিন্নরদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, রন্নরদা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৬ অমসুং থার্দ পোজিসনদনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ৪গী মনা থল্লি।

# বঙ্কিম অমসুং বিন্দেশ্বরী জজ অমসুং রেফরি এগজামদা মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ থা অসিগী ৩দগী ১১ ফাওবা এসিয়ন করাতে চেম্পিয়ন্সিপকী শরুক অমা ওইনা এসিয়ান করাতে ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা অম্মান জিরদানগী হোটেল রিগেন্সিদা পাঙথোকখিবা জজ অমসুং রেফরি এগজামদা মণিপুরদগী মুতুম বঙ্কিম অমসুং সোইবম বিন্দেশ্বরী মায় পাক্তুনা এ গ্রেদ জজকী লাইসেন্স ফংখ্রে।

মুতুম বঙ্কিমনা কুমুতেগী এ গ্রেদ এগজাম পাস তৌখিবগা লোয়ননা সোইবম বিন্দেশ্বরীনা কতা এ গ্রেদ এগজাম মায় পাকখ্রে। মসি এসিয়ান করাতে ফেদরেসননা এসিয়াদা অরোয়বা কতা এগজামনি।

পনবা য়াবদি মুতুম বঙ্কিম হৌখিবা চহী ২০২৫দা গুৱাংঝৌ চাইনাদা এসিয়ান করাতে জজ এ গ্রেদ পাস তৌখ্রবনি। লোয়ননা নীংশিংবা য়াবা অমনা ৱার্ল্ড করাতে ফেদরেসনগী কতা জজ পাস তৌরবা সোইবম বিন্দেশ্বরী অৱাং নোংপোক লমদমগী অমত্তা ঙাইরবা ইন্টরনেসনেল জজনি। জজ অনীমক অসি ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্নবা করাতে ইন্দিয়া ওর্গনাইজেসনদা খনখ্রবনি।

# কবাদ্দি টুর্নামেন্ট লোয়শিনখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ

খেলো ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা সাই ইম্ফাল অমসুং ২৩২ শুবা মহিলা বট্টালিয়ন সি আর পি এফকা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ নীনি চুপ্না চথরকপা নুপীগী ওইবা কবাদ্দি টুর্নামেন্ট ঙসি লোয়শিনখ্রে।

নুমিৎ নীনি চুপ্না চথরকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা থৌবাল অমসুং শিরুইবু পোইন্ট ২২দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি। এন বি কোলেজনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা পদ্মশ্রী এৱার্দি ও বেমবেমনা নুপীশিংতগী ওইবা কবাদ্দি টুর্নামেন্ট পাঙথোকপা অসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। লমদম অসি নুপীশিংনা শান্নবগী লমদা খোঙদাদুনা ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা মেদল কয়া লৌরকপা ঙম্লে হায়না নুং ঙাইবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তারদুনা হৌরক্লিবা নুপী শান্নরোইশিংনা মশা-মশানা পামজবা ইভেন্টশিং খন্দুনা শান্নজবদা মমা-মপা ওইবশিংনসু অঙম্বা মতেং পাংপিয়ু। ইমুং মনুং অমদি মমা-মপাগী মতেং য়াওদ্রবদি শান্নরোইশিংনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনবদা অৱাবা ওইগল্লি। মখা তানসু লমদম অসিদগী অফবা নুপী শান্নরোই কয়া মখা তানসু পুথোক্তুনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী থাক্তা পাঙথোকপা টুর্নামেন্টশিং অমসুং চেম্পিয়ন্সিপ কয়াদা মেদল পুরকপা ঙমগনি হায়খি।

নুমিৎ নীনি চুপ্না পাঙথোকপা কবদ্দি টুর্নামেন্ট অদুদা পূন্না টিম ৯না শরুক য়াখি। লোয়ননা মায় পাকহৌদ্রবা টিমশিংদসু সার্টিফিকেটশিং পীদুনা পূক্লিং থৌগখি।

ঙসিগী লোয়শিনবগী থৌরম অদুদা ২৩২ মহিলা বট্টালিয়ন সি আর পি এফকী কম্মান্দর টিঐচ দেবাজানি, এ সি আইশ্বরিয়া জয়, এ সি নীনা শর্ম্মা অমদি ওফিসারশিংসু শরুক য়াখি।

# জিরিবামদা মিনি মরাথোন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ০৮ (এস এন এস)ঃ খেলো ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা জিরিবামদা লৈবা দেট্টা ৪৮ শুবা বট্টালিয়ন সি আর পি এফনা শীন্দুনা দিবোং খুন্নৌদা কিলোমিটর ১০গী মিনি মরাথোন ঙসি পাঙথোকখ্রে। মরাথোন অদুদা কে সনাতোম্বানা ফার্ষ্ট পোজিসন, থিংবাইজম সনাথোইনা সেকেন্দ পোজিসন অমসুং এমদি তোইবুর রাহমননা থার্দ পোজিসন তাখি।

মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মথংশীৎনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, লিশিং ৬ অমসুং লিশিং ৪গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট অমদি মরিশুবদগী নিপালশুবা তাবা মীওইশিংদসু সার্টিফিকেট পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি।

নাকল অমরোমদা সি আর পি এফকী ২০শুবা বট্টালিয়ননা শীন্দুনা রোরোবেক্রা লম্বীগী পরিংদা কিলোমিটর ১০গী মিনি মরাথোন পাঙথোকখ্রে। মরাথোন অদুদা মিংথলেংননা হানবা পোজিসন, পুখ্রম্বম প্রোবত সিংহনা অনীশুবা অমসুং নিবুদাসনা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা মথংশীৎনা শেলগী মনা লুপা লিশিং ১০, লিশিং ৬ অমসুং লিশিং ৪গা লোয়ননা মেদল অমদি সার্টিফিকেট পীখি।

৯শুবা রাষ্ট্রীয় পোশন মাহ ২০২৬

Government of India
Ministry of Women and Child Development

ঐখোয়গী অঙ্গনৱাড়ী
ঐখোয়গী দায়ত্ব

হৌদোকপা : ৯ সেপ্তেম্বর ২০২৬,
বরানসী, উত্তর প্রদেশ



"পোশন অভিয়ান অসি মমা অমসুং অঙাং খুদিংমক্তা মপুং ফাবা চীঙ্গাক ফংহন্নবা মীয়ামগী ইহৌ অমনি,,
নরেন্দ্র মোদি
প্রাইম মিনিষ্টর

- মখল-মখাগী চীঙ্গাক অমসুং প্রোটিন য়াম্না য়াওবা অচা-অথক
- অঙ্গনৱাড়ী সেন্তরশিংদা ফোঙ-ফোঙ শাবা অথোংবা চরা
- খুন্নাই শরুক য়াবা
- অঙাং খুদিংমক চেকশিনবা, মহৈ তম্বীবা অমসুং চাউখৎহনবা
- প্রধান মন্ত্রি মাতৃ বন্দনা য়োজনা ( পি এম এম ভি ৱাই )গী খুৎথাংদা মমা ওইবশিংবু শোয় ঙামহন্দবা



CBC 46101/13/0013/2627

অহেনবা মরোলগীদমক: wcd.gov.in

হেল্পলাইন : 1515 পোশন অমসুং পি এম এম ৱাই ভি হেল্পলাইন | 181 ৱুমেন হেল্পলাইন | 1098 চাইল্ড হেল্পলাইন | 112 ইমর্জেন্সি সার্ভিসেস

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
Editor: Dr. Khaidem Athouba, RNI Registration No. 31350/ 77; e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com